# ইন্দিয়ানা কোবিদ ১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী দোজ মশিং ক্রোর ১০০ হেনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২১ ঃ
ইন্দিয়ানা পায়খৎলকপা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামদা অচৌবা শিংথানিংঙাই ওইবা তাংকক অমা য়ৌবা ঙম্লে। মদু লৈবাক অসিদা কাপখিবা ভেক্সিন দোজশিংগী মশিং ঙসি ক্রোর ১০০ হেনখিবদগীনি।

ভেক্সিনেসনগী থৌরাংদা শিংথানিংঙাই ওইবা ফিভম অদু লাকখিবসি ইন্দিয়ান সাইন্সকী মায়পাকপা, এন্টরপ্রাইজ অমসুং ইন্দিয়ানা ক্রোর ১৩০ গী অপুনবা স্প্রিট অদুননি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১০০ হেক হেনখিবা মতুংদা রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটালগী ভেক্সিনেসন সেন্টরদা চৎতুনা হোস্পিটাল ওফিসিয়েল, ষ্টাফ অমসুং বেনিফিসরি খরগা উন্নদুনা ৱারী শাখি। মহাক্কা লোয়ননা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মন্সুক মান্দভিয়াসু য়াওখি। অতোপ্পা পাউজেল অমদা মান্দভিয়ানা লৈবাক অসিনা দোজ ক্রোর ১০০ হেন্না ভেক্সিন কাপ্পা ঙম্বগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লুনা ফংলিবা পান্দম অদু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মতিক চাবা লুচিং মখাদনি হায়বা ৱাফম থমখি অমদি মহাক্কা মোদিবু মীৎয়েং শানবা লুচিংবনি হায়না শিংথাখি।

লৈবাক অসিনা ভেক্সিনেসনগী থৌরমদা শিংথানিংঙাই ওইবা য়াবা মফম অমা য়ৌরকপদা দব্লিয়ু ঐচ ও, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী রিজনেল দাইরেক্তর ডাঃ পুনম ক্ষেত্রপাল সিংহনা হায়খিবদা ইন্দিয়ানা মায়পাকপা ঙম্লিবা অদু অকনবা পোলিটিকেলগী লিদরশিপ য়াওদনা ওইথোকপা ঙম্লোই হায়খি। ইন্দিয়ানা কোবিদ ১৯ ভেক্সিন দোজ বিল্লিয়ন অমা কাপ্পা ঙমখিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। তেনখ্রবা মতম অসিদা থোইদোক হেন্দোকপা মওংদা লাক্লিবা শিংথাবা য়াবা অসি কনবা লুচিংবা ইন্টরসেক্টরেলগী ওইবা অপুনবা হেল্থ অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱার্কফোর্সনা কৎথোক্তুনা থবক তৌবা অমসুং মীয়ামগী মপালননি হায়খি।

হায়রিবা পুন্সি কনবা ঙম্বা ভেক্সিনশিং অসি মালেমগী ওইনা ইফংদা ফংবা ঙাক্তনি। অদুবু মসিবু মায়পাক্লা মীয়ামদা পিবা ঙম্বা হায়বসি থোইদোকপা মগুন লৈবননি হায়খি।

# ভেক্সিন দোজ বিল্লিয়ন ১ কাপখিবগা লোয়ননা অনৌবা কেস ১৮৪৫৪ থেংনরে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২১ ঃ
লৈবাক অসিদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা কোবিদ পোজিটিব ওইবগী মশিং য়াম্না নেথরুরবা মতুংদা খঙহৌদনা ৱাংখৎলকপা থেংনরে। নৌনা কেস ১৮৪৫৪ থেংনদুনা ঙরাংদগী চাদ ২৬ কী চাং হেনগৎলকখি।

গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়াগী এদল্ট মিল্লিয়ন ৯৪৪ বু চহিসিগী মনুংদা ভেক্সিন কাপথোকপা পাল্লি। ইনফেক্সন্দগী ফগৎলকপা মীওই মশিং ঙরাংদগী হৌনা ৮৫৯২ শুদুনা অপুনবা রিকোভরিগী মশিং অসি ৪৭,৬৯,৩৭৩ শুখ্রে অমদি এক্টিব কেসকী মশিং ৮৩,৩৩৩ শুখ্রে।

নুমিৎ ২৭ নি থংন থংননা ইন্দিয়াদা নৌনা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন তৌবগী মশিং হেনগৎলকপসি লিশিং ৩০ গী মখাদা লৈরকখিবনি। হৌজিক লৈরিবা রিকোভরিগী চাং অসি চাদ ৯৮.১৫ নি হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ১৭৫৬১ রিকোভর তৌখ্রে। মসি থারগা অপুনবা রিকোভরিগী মশিং অসি ৩,৩৪,৯৫,৮০৮ নি। এক্টিব কেসকী মশিংনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মশিং অসিদগী পাথোক্লগা চাদ ০.৫২ ওইরি। হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোবিদনা মরম ওইদুনা মীওই ১৬০ শিখি। মসি থারগা ভাইরসকা মরি লৈননা শিখিবা মশিং ৪,৫২,৮১১ ওইরি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না শিখ্রবা মীওই অয়াম্বা হান্ননা মশাগী অনাবা শাথিবা লৈবা অমদি মশা য়াম্না শোনবশিংনি হায়রি। মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা ফিগরগা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্ছনা থাদোরকপা মশিংগা খরা খেন্নবা য়াই। মদু চুমথোক চুমশিন তৌবা লৈগনি হায়রি। ইন্দিয়াদা নুংতিগী ওইনা কোবিদ ইনভেক্সন তৌরক্লিবসি অয়াম্বনা লৈবাক অসিগী খা থংবা মায়কৈদা লৈরিবা কেরলা ষ্টেটতগীনি। ষ্টেট অদুদগী কোবিদ ১৯ গী অনৌবা কেস ১১,১৫০ থেংনখি। অমদি পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ৮২ কোবিদনা শিখি। মহারাষ্ট্রদা মীওই ১৮২৫ নৌনা পোজিটিব ওইখি। মীওই ২১ না শিখি। অদুগা পেসেন্ট ২,৪৭৬ না দিসচার্জ তৌখি। অনৌবা ইনফেক্সনগী মশিং অসি থারগা মহারাষ্ট্রদা কোবিদ ১৯ গী অপুনবা কেসতসু ৬৫,৯৬,৬৪৫ নি অমদি ভাইরস অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা শিখিবা মীওই মশিংনা ১,৩৯,৮৮৬ ওইরি।

# মিনিষ্টর ভুংজাগিন্না ইকো টুরিজমগী প্রোজেক্ট য়েংশিনখ্রে

চুরাচান্দপুর, ওক্তোবর ২১ ঃ
থালোন এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ অমদি ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস, জি এ দি অমসুং ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ভুংজাগিন ভালটেগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ ঙসি লোইশিনখ্রে। মহাক্কী কন্সটিটুয়েন্সিদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মনুংদা মিনিষ্টরনা খুলগী লুচিংবশিং, মীয়ামগী লুচিংবশিং, সি এস ও লুচিংবশিং অমদি মীচম মীয়ামগী ৱারী শান্নদুনা মখোয়গী দিমান্দশিং তাখি। অমদি লাপ্পা লৈবা থালোন এ সি রিজনগী শেমগৎ শাগৎনবা রোদ মেপ অমসু শেমখি হায়রি।

গভর্নমেন্টনা অফবা থক্কবা ঈশিং মতিক চানা মীয়ামদা ফংহনগনি হায়বসি জল জিবন মিসনগী মখাদা ফংহনগদবনি হায়না মহাক্কা থাজবা পীখি। প্রোজেক্ট অদু চৎনহনবা হৌবদা মীয়ামগী মতেং চংই হায়না মিনিষ্টরনা পনখি। মহাক্কা মুলনুৱামদা লৈবা সিনজাৱল হায়স্কুল অমসুং অতৈ গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা উ চারশিং থাখি। মদু য়ুথ অমসুং স্কুলশিংগী ইকো ক্লবকা লোয়ননা পাংথোকপনি। মুলনৱামদা শাগৎলিবা ইকো–টুরিমজম প্রোজেক্ট য়েংশিল্লদুনা প্রোজেক্ট অদু হেক লোইশিনবগা মফম অদুদা কেফটেরিয়া, মীয়াম্না শিজিন্ননবা ওপন ষ্টেজ, লম্বী, দ্রেনেজ অমসুং ফজবা লেন্দস্কেফশিং, চীংগী ফজবা মরক্তা শেমগৎকনি হায়খি। গভর্নমেন্টনা হেন্না ইকো–ফ্রেন্দলি ওইবা সষ্টেনেবল ওইবা সোলুসনশিং শেমগৎ শাগৎপদা পুরক্কনি হায়না মিনিষ্টরনা শন্দোক্লা হায়খি।

মহাক্কী খোংচৎ মনুংদা তোঙান তোঙানবা মফমদা মীয়ামদা ৱা ঙাংলদুনা মিনিষ্টরনা মীয়ামদা অমগা অমগা নুংশি চান্নবা পুরক্কদবনি। তাথিনবা নত্রগা য়েংথিনবনা কৈদৌনুংদসু মীয়ামদা নত্রগা লমদম অদুদা চাউখৎপা পুরকপা ঙম্লোই হায়খি। মীওই খুদিংমক্না চপ মান্নবা লম্বীদা চৎতুনা চপ মান্নবা ঈশিং ফংফমদগী ঈশিং থক্লিবনি। মান্নবা পৱার হাওশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটি ফংদুনা মান্নবা লাই নিংলিবনি। মরম অদুনা মপাল শক্তিং অমত্তনা মহাক্কী ফত্তবা থৌওংনা মীয়ামবু খাইদোকপা ঙম্লোই হায়না মিনিষ্টরনা ফোংদোকখি।

# লম্বীশিং মতম কক্তনা থিংবদি য়ারোই ঃ এস সি

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২১ ঃ
ফার্ম লো অহুমবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা দিল্লিগী ঙমখৈদা প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবগী হক মখোয়দা লৈ, অদুবু মখোয়না লম্বীশিংবু মতম কক্তনা থিংজিনবদি য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ফোংদোকখ্রে।

কোর্ট অদুনা লৌমীশিংগী য়ুনিয়নশিংগা চয়োল অহুমগী মতম পীদুনা ৱাফম অদুগী মতাংদা পাউখুম পীরক্কবা খঙহনখি। জষ্টিস এস কে কোলনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা ফোংদোকখিবদা কোর্টনা প্রোটেষ্ট তৌবগী হক অদুগী মায়োক্তগা লৈবা নত্তে। লিগেলগী ওইবা চেলেঞ্জ অসি পন্দুনা লৈরিবনি। অদুবু ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবগী হক লৈ অদু লম্বীশিং মতম কক্তনা থিংজিনবদি য়ারোই। লৌমীশিংনা মওং অমা নত্রগা মওং অমদা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী হক লৈ, অদুবু লম্বীশিংদি মখোয়না তৌরিবা অদুগুম্না থিংজিল্লোইদবনি। মখোয় নত্তবা মীয়াম্নসু লম্বীদা চৎপগী হক লৈ, অদুবু মদু থিংবা য়ারোই হায়না জষ্টিস এম এম সুন্দ্রেস য়াওবা বেঞ্চ অদুনা পনখি।

সুপ্রিম কোর্টনা লৌমীশিংগী য়ুনিয়নশিংদা চয়োল অহুমগী মতম পীদুনা ইসু অদুগী মতাংদা দিসেম্বর ৭ তা চত্থগদবা হিয়ারিংগীদমক পাউখুম পীরক্কদবনি হায়বা ৱাফম খঙহনখি। সুপ্রিম কোর্টনা নোইদাদা লৈবা মোনিকা অগরৱাল কৌবা অমনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎতা মহাক্লা নুংতিগী চখোক চৎশিন তৌবা মতমদা লম্বী থিংদুনা লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট চত্থবনা চখোক চৎশিন্দা অপনবা থোক্লে হায়না ফোংদোরকখি। লৌমীশিংনা দিল্লিগী ঙমখৈদা কেম্প তৌদুনা ফার্ম লো অহুমবু লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি।

# মায়পাকহনখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২১ ঃ
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বারমুলা দিষ্ট্রিক্টতা চাউনা খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লমগদবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা মতম চানা থেংনদুনা অমাং অতা থোকহনখিদ্রে হায়রি।

বারমুলা দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা ইম্প্রোভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ঈ দি) অমা লৈরে হায়বা খঙলকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা নিংথিনা লৌথোক্লগা দিফ্যুজ তৌদুনা চাউনা অৱা অনা নংগদবা থৌদোক অমবু থোকহনখিদ্রে হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা হায়রি।

# মনিপুরী পোইত্রি দেগী থৌরম পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ ঃ
নাগালেন্দগী সেন্ট জোসেফ য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসনা ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব মনিপুরগা পুন্দুনা মনিপুরী পোইত্রি দে ২০২১ ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা শৈরেং পাথোকপগী থৌরমগা লোয়ননা পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদু গুগল মীটকী খুথাংদা পাংথোকপনি। মদুগী মনুংদা বি এ, এম এ, এলুমনাই, রিসার্ছ স্কোলর অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসকী ফেকল্টিশিংনা ওরিজিনেল ওইবা শৈরেংশিং থিবা য়াওখি। মদুদা পার্টিসিপেন্ট ১২ না শরুক য়াখি।

কিনোকা য়েপথোমি, বি এ ফাইব সেমিষ্টরনা কনভিক তৌখিবা প্রোগ্রাম অদুদা গ্রেজুয়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী মহৈরোয় ৪০না শরুক য়াখি। শৈরেং থিবগী থৌরম অদুদা নুংশি নুংওন, পুন্সি অমদি মরূপ মপাং ওইবগী মগুন কয়া শৈথাবা য়াওখি। মনিপুর পোইত্রি দে হায়বসি মনিপুরী সাহিত্যগী মমিং লৈরবা মীওইশিংগী পুন্সি অমসুং মখোয়না তৌরম্বা থবকশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা পাংথোকপনি। লমদম অসোমগী লৈরিবা তোঙানবা লিটরেরিগী মচৎ অসিদা ইকাই খুম্নবা উৎপনি। হন্দক্কী চহি অসিনা মনিপুরী পোইত্রি দেগী মঙারকশুবা চহিনি। মনিপুর অমসুং অতৈ ষ্টেট অমসুং লৈবাকশিংদা লৈরিবা মনিপুরী লোল ঙাংবা মীওইশিংনা মনিপুরী সাহিত্যবু হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

# এৱার্নেস পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ ঃ
ককচিং ব্লোক মহিলা কংগ্রেস কম্মিটিনা শিন্দুনা ককচিং এ সিগী মনুংদা লৈবা বুথ লেবেল কংগ্রেস মহিলা মেম্বরশিংগী নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল এৱার্নেস অমা ঙসি পাংথোকখ্রে। থৌরম অদু ককচিং বজারদা লৈবা ককচিং ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিস্তা পাংথোকখিবনি। লাক্কদৌরিবা ১২ শুবা মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগা মরি লৈননা পোলিটিকেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদু পাংথোকপনি হায়রি।

# উত্তরখন্দা অকনবা নোংজুনা ৬৪ শিরে, ১১ থিবা খঙদ্রি

ধেরাদুন, ওক্তোবর ২১ ঃ
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সহানা ঙসি ফোংদোকখিবদা অকনবা নোংজুনা য়ৈশিনখ্রবা উত্তরখন্দা শিখিবা মীওই মশিং অসি ৬৪ শুখ্রে অমদি মীওই ১১ রোম হেনবনা থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

ষ্টেট অদুগী নোংনা অকাইবা থোকহল্লবা নত্রগা ঈচাও থোকহল্লবা মফমশিংদা এরিয়েল সর্ভে অমা চৎলুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙংলদুনা অমিত সহানা ফোংদোকখিবদি ষ্টেট অদুদা হৌজিক ফাওবা লমকোইবশিং শিবা নত্রগা শোকপগী পাউ লৈতে। চারধাম যাত্রসু অমুক চৎপা হৌখ্রে। মহাক্লা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেলগী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী রিভিয়ু মীটিং অমা পাংথোক্তুনা উত্তরখন্দা থোক্লিবা নেচরেল কেলামিতিগী মতাংদা ৱা খান্নখ্রে। মতম চানা নোং চুবগী এলার্ট থমখিবনা অমাং অতাগী চাং য়াম্না থোকখিদবনি। মহাক্কী ৱারোলদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৫০০ কনবা ঙমখ্রে অমদি মীওই ১৬০০০ না মাংজৌননা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে। নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) কী টিম ১৭, ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) কী টিম ৭, প্রোভিন্সিয়েল আর্মদ কন্সটেবুলরিগী কম্পেনি ১৫ অমসুং পুলিস পার্সোনেল ৫০০০ হেনববু রেস্ক্যু ওপরেসনশিংগীদমক দিপ্লোই তৌখ্রে হায়খি।

হোম মিনিষ্টরনা মখা তাখিবদা ষ্টেট অদুদা মহৌশাগী ওইবা ফিভম তপ্না তপ্না হঞ্জিল্লক্লি। নৈনিতাল, অলমোরা অমসুং হলদাৱানিদা লৈবা লম্বীশিং শেংদোকখ্রে। পুলিস ষ্টেসনশিংসু অথুবা মতমদা মথৌ তৌবা হৌরগনি। মোবাইল নেটৱার্ককী ওইনদি ষ্টেট অদুগী অপুনবা এরিয়াগী চাদ ৮০ রিষ্টোর তৌখ্রে হায়না পনখি। অমিত সহানা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ধেরাদুন্দা থুংদুনা অকনবা নোংজুনা মরম ওইদুনা থোরক্লিবা ফিবম অদু য়েংশিনবা লাকখি। উত্তরখন্দা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা অকনবা নোং চুবদগী অমাং অতা থোকখিবা পোৎলম কয়াগী রেকোর্দসু তৌখি হায়রি।

মরক অসিদা ষ্টেট অদুগী রুদ্রাপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিবপুরি টাউন্দা লৈবা মীওইশিংনা মখল মখা কয়াগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মদু অকনবা নোংজুনা লেপ্তনা চুবনা মরম ওইদুনা মখোয়গী ময়ুমশিং ঈশিংনা থুমজিনখিবা, য়ুমগী পোৎলমশিং অমাং অতা থোকখিবা অমদি চারা হেন্দুনা লৈরকপগীনি। মফম অদুদা লৈবা মীওই অমনা ফোংদোরকখিবগী মতুং ইন্না ওক্তোবর ১৮ গী নুমিদাংদা মফম অদুদা লৈবা য়ুমশিং ঈশিং থুমজিল্লত্তুনা ফুট ৫ ঈশিংনা থুমজিল্লকখি। মদুনা মখোয়গী ময়ুমদা লৈবা পোৎলম খুদিংমক মাং তাকহনখি। দুকান্দা থম্বা পোৎলমশিংসু ঈশিং চাউশিল্লত্তুনা মাংখি। শেল ওইনসু লুপা লাখ কয়া মাংনবা য়াওরে। নোংনা মরম ওইদুনা য়ুমগী ফক্লাংদা চেকখাইবা য়াওরে হায়খি।

নুমিৎ নিনি স্কুলদা চাক থোংদুনা চাখি অদুবু হৌজিক্তি মীওই কয়া ফুদ সপ্লাই ফংদবনা চারা হেনবা য়াম্না য়াওরে হায়না পাউদম্লকখি।

# পুলিস কম্মেমোরেসন দে

জিরিবাম, ওক্তোবর ২১ ঃ
ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্কার্টরস, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস জিরিবামনা শিন্দুনা চাইনিজ লান্মীশিংনা লদাখতা কুম ১৯৫৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা গ্রেনেদ অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা ইন্দিয়াগী লান্মী ১০ না মথৱাই পোন্থা পিখিবা নুমিৎপু নিংশিংবা ওইনা চহি খুদিংগী ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা পাংথোকপগুম জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু পুলিস কম্মেমোরেসন দেগী থৌরম পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসারশিং, জিরিবামদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিং অমদি থবক্তা পোত্থাখ্রবা পুলিস পার্সোনেলশিংসু শরুক য়াখি।

২০২০ গী সেপ্টেম্বর ১ দগী ২০২১ গী আগষ্ট ৩১ ফাওবদা থৱাই কৎখিবা লান্মীশিংগী মফমদসু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক থৱাইনা পোন্থা পীখিবশিংগী মফমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মিনিট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

# ভেক্সিন বিল্লিয়ন ১ য়ৌখিবগী থৌরম

জিরিবাম, ওক্তোবর ২১ ঃ
ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা বি জে পি জিরিবাম মন্দলগী প্রসিদেন্ট ও ব্রজমনি সিংহনা লুচিংদুনা ইন্দিয়ানা ক্রোর ১০০ হায়বদি কোবিদ ভেক্সিন বিল্লিয়ন ১ কাপথোকপা ঙমখিবগী হরাও ফোংদোকপা ওইনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মরূ ওইনা কোবিদ ৱারিয়রশিংদা অহাও অথুম পীখ্রে।

মরূ ওইনা জিরিবামগী উচাথোলদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা চৎতুনা ডাক্তর, নর্স অমদি কোবিদ ৱারিয়রশিংদা অহাও অথুমশিং পীখি। মসিগী মতাংদা বি জে পি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট ও ব্রজমনি সিংহনা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকসিদা কোবিদ ১৯ গী ভেক্সিন অসি মীওই ক্রোর ১০০ দা কাপথোক্কনি হায়না পান্দম থমখিবা অদু য়ৌবা ঙম্নবা বি জে পি জিরিবাম মন্দলনসু কোবিদ ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংদা হরাওবা অমদি তৌবিমল উৎপা ওইনা হরাও অথুমশিং খুদোল তম্বনি হায়না পাউমীশিংদা ফোংদোকখি।

শরুক য়াখিবা মনিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চিয়ারমেন কে সরতকুমার সিংহনা হায়খিবদা মনিপুর ষ্টেটতা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অহানবা ওইনা চাদ ১০০ গী কোবিদ ভেক্সিন কাপথোকবা ঙম্বা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট ওইখিবা অমদি লৈরিবা কোবিদ ৱারিয়রশিংনা কন্না হোৎনদুনা কোবিদ ১৯ গী মায়োক্তা লাম্থেংদুনা ঙসি ফাওবা অৱাবা কয়া খাংদুনা হোৎনরিবশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎলি অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা অমসুং মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লুচিং মখাদা কোবিদ ভেক্সিন ক্রোর ১০০ কাপথোকপা নুমিৎ অসিবু অফবা নুমিৎ অমনি হায়দুনা বি জে পি জিরিবাম মন্দলনসু কোবিদ ৱারিয়রশিং, পেরামেদিকেল ষ্টাফশিংদা হরাও ফোংদোকপা ওইনা জিরিবামগী হোস্পিটালদা লাক্তুনা অহাও অথুম পীজবনি হায়খি। বি জে পি জিরিবাম মন্দলগী করিয়ার্কর্ট অমদি বি জে পি মহিলাগী প্রসিদেন্ট য়াওনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# সেক্যুরিটি মীট, পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ ঃ
আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা লৈনা চুরাচান্দপুর বট্টালিয়ান্না চুরাচান্দপুরগী আইনা সব–দিভিজনগী খুলগী লুচিংবা অমদি খুলগী ওথোরিটিশিংগা লোয়ননা সেক্যুরিটি মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

ঙসি পাংথোকখিবা মীফম অদু খুলগী ওথোরিটিশিংগা ক্রুপশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তাঞ্জা অমা লৌবনি অমদি মখোয়দা হৌজিক মফম অদুদা ওইরিবা সেক্যুরিটিগী ফিবমগী মতাংদা খঙহনখি। অসাম রাইফলসনা এরিয়া অদুদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক্নবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং খঙহনখি।

মখোয়দা মখা তানা লালহৌবশিং অমদি আইন্না য়াদবা থৌওংশিং চত্থবশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা অসাম রাইফলসকা ঈ–পাউ ফাওননবা ৱাফমসু থমখি। মখোয়না খুঞ্জাশিংনা কোবিদ ১৯ দগী ঙাকথোক্নবা ভেক্সিন কাপখিববু পুক্লিং থৌগৎখি। আইনা সব–দিভিজনগী খুলগী লুচিংবা অমসুং খুলগী ওথোরিটি ১২ না মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

নাকল অমরোমদা বট্টালিয়ান অসিমক্না সঙাইকোট সব–দিভিজনগী তুনিং এরিয়াগী মনুংদা লৈবা মতৈজাংগী নহাশিংদা অজাদিকা অমৃত মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা খেলো ইন্দিয়া হেন্না পাকথোক চাউথোক্নবা ঙসি শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা খৌপুম বট্টালিয়ান্না নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খৌপুমদা ঙরাং অঙাংশিংগী ওইবা পেন্টিং, সিঙ্গিং অমসুং ক্বিজ কম্পিটিসনশিং পাংথোকখ্রে।

লোক্তাক বট্টালিয়ানগী টিম অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নাচৌ ভিলেজগী নহাশিংগা লোয়ননা ৭–এ সাইদ ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা ঙসি পাংথোকখ্রে।

# সি এন পি ওগী ফেদরেল এসেমব্লি

চান্দেল, ওক্তোবর ২১ ঃ
চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (সি এ্র পি ও) গী ত্রেনর ২০২১–২০২৫ কী অনিশুবা ফেদরেল এসেমব্লি ঙসি লাঙ্গোল মরিং ভিলেজ কম্ম্যুনিটি হোলদা পাংথোকখ্রে। লোয়ননা চান্দেল নাগাগী আউটষ্টেন্দিং এচিভরশিংবু হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

মরিং উপারক এসেমব্লিনা হোষ্ট ওইদুনা পাংথোকখিবা থৌরমদুদা ৪২–তেংনৌপল এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ দি কোরুংথাং, ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী মেম্বর ওইরম্বা এস ঐচ মংলেম মোন্সাং, সি এন পি ও চান্দেলগী প্রসিদেন্ট দেবিদ বোয়িস, স্পিকর খুলাকমেবা মরিং, অনসমগী প্রসিদেন্ট থিংতুং ৱাংলাই, অতসুমগী জেনরেল সেক্রেটরি এস আর এন্দ্রিয়া, য়ু এন সিগী ইনর্ফোমেসন সেক্রেটরি এস কে ষ্টেফেন, সি এন পি ওদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা ত্রাইবশিংগী প্রসিদেন্টশিং অমদি অতৈ কয়ানা শরুক য়াখি।

সি এন পি ওগী নৌনা সেক্রেটরি খল্লবা অংতুন অনালবু সি এন পি ওগী স্পিকর খুলাকমেবা মরিংনা ৱাশক লৌবগা লোয়ননা মরিং নাগা বেপটিষ্ট এসোসিয়েসনগী এগজিক্যুটিব সেক্রেটরি দি সোংঙিন্না লুচিংদুনা ইনষ্টোলেসন অমসুং ব্লেসিং সার্ভিস পাংথোকখি।

# বঙ্গলাদেশকী হিংসাদা য়ানিংদবা ফোংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২১ ঃ
মমাংদা য়ু এস কংগ্রেস ৱুমেন ওইরম্বী তুলসি গবার্দনা বঙ্গলাদেশতা লৈবা হিন্দুশিংগী মায়োক্তা দুর্গা পুজা মনুংদা চত্থখিবা হিংসাবু য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

মহাক্লা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিংবু জিহাদিশিংনি হায়রদুনা মখোয়দি লাইশঙশিং মৈ থাদুনা মাং তাকহল্লগা ঈশ্বরবু পেলহনবা ঙম্মি হায়না থাজবা ঙম্বা কাংবুনি হায়খি। সোসিয়েল মেদিয়াদা তোকঙা অমা শন্দোক্লুনা দুর্গা পুজা লাৎফমদা কোরানবু মাংথোক্লে হায়না শন্দোরকপদগী বঙ্গলাদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা হিংসা থোরকখি। হায়রিবা হিংসা অদুদা য়ুম ৬৬ মাং তাকহনখি অমদি য়ামদ্রবদা হিন্দুশিংগী য়ুম ২০ লোম মৈ থাখি।

থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অদু বঙ্গলাদেশকী কোনুং ধাকাদগী কিলোমিটর ২৫৫ লোম চৎলগা লৈবা খুঙ্গং অমদনি। হিংসা অদুদা হিন্দু ১১ হাৎখি অমদি ৮০০ না অশোক অপন নংখি হায়না লোকেল মেদিয়ানা ফোংদোরকখি।

তুলসি গবার্দনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা থোকখ্রিবা হিংসা অমসুং য়েংথিনবগী থৌদোকশিং অদুনা মহাকপু থম্মোয় শোকহল্লে। লাইশঙদা লাই নিংজরিবা বঙ্গলাদেশতা লৈবশিংগী মথক্তা চত্থরিবা থৌওং অদু জিহাদিশিংগী থৌওংনি। মখোয়দি তশেংনা ঈশ্বদগী লাপথোক্লবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয়না নুংশি চান্নবা হায়বদু খঙবা ঙমদবনি। করিগুম্বা বঙ্গলাদেশতা পাল্লিবা গভর্নমেন্টনা সেক্যুলর ওইরবদি লৈবাক অদুদা খুন্দারিবা হিন্দুশিং, খৃষ্টানশিং অমসুং বুদ্ধিষ্টশিংবু য়েংথিবা তাথিবনা মপুং ওইরবা জিহাদিস ফোর্সশিংদগী ঙাক শেনগদবনি হায়বা ৱাফম কংগ্রেস ৱুমেন অদুনা থমখি।

# মীওই চাদ ৯৫ দি পেত্রোলগী দরকার লৈতে

জলাৱুন, ওক্তোবর ২১ ঃ
পেত্রোল অমসুং ফ্যুয়েলগী মমল নুমিৎ নিনি লেপ্তনা হেনগৎলকপনা মমল য়াম্না ৱাংখৎখিবা মরক্তা উত্তর প্রদেশকী মিনিষ্টর অমনা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা অপুনবা মীওই মশিংগী চাদ ৯৫ গী চাংনা পেত্রোলগী দরকার লৈতে, ফোর হ্বিলর শিজিন্নবা খরা খক্তননি হায়খি।

উত্তর প্রদেশকী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা জলাৱুন্দা মেদিয়াদা ৱা ঙাংলদুনা ষ্টেট মিনিষ্টর উপেন্দ্র টিৱারিনা হায়খিবদা গভর্নমেন্টপু তার্গেট তৌনবা ওপোজিসনগী ইসু অমত্তা লৈতবা মরমনা পেত্রোল অমসুং ফ্যুয়েল হেনগৎপগী ৱাফম অসি ৱাথোক ওইহল্লকপনি। ২০১৪ গী মমাংদগী হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা পার কেপিটা ইনকমগী ফিবম অসি দবল ওইরবনি। মোদি অমসুং য়োগিগী গভর্নমেন্টশিং শেন্নকপদগী অহোংবা লাকপনি। পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমলদি মীওই খরা খক্তনা থেংনবনি। হৌজিক লৈবাক অসিগী খুনাইদা লৈরিবা মীওই চাদ ৯৫ দি পেত্রোলগী দরকার লৈতে হায়খি।

তশেংবদি উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্ণৌদা পেত্রোল লিটর অমদা লুপা ১০৩.১৮ পীরিবনি। মেত্রো সিটিদা য়োল্লিবা মমলনা হেন্না য়াম্মি। মুম্বাইদা লিটরদা লুপা ১১২.৪৪ অমসুং দিজলগী মমল ১০৩.২৩ ওইরি। পেন্দেমিক্লা মরম ওইদুনা শেন্মীৎলোনগী অকনবা চৈথেং ফংলিঙৈ মরক্তা ফ্যুয়েলগী মমল খঙহেন হেনগৎলকপা অসিনা হেন্না অৱাবা ওইহল্লিবা অসি খঙদবগুম মিনিষ্টর অদুনা ৱাফমশিং অসি ফোংদোকখিবনি। ফ্যুয়েলগী মমল হেনগৎলবদি নোংমদা শিজিন্নরিবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমলসু ত্রান্সপোর্টকী মমল ৱাংখৎপদগী তাংনা য়োংনবা তাবনি হায়রি।